এমসু শীংজমৈ ৱাঙ্খকী থৌমীশিংনা শীংজমৈ এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা মণিপুর কোলেজদা হাংলিবা কম্যুনিটি কোভিদ ক্যের সেন্টরদা চান-থক্লবা পোৎলম, ফেস মাস্ক অমদি সেনিটাইজর তেংবাঙখিবা

হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী ষ্টাফশিং অমসুং মোমাগী প্রোজেক্ট দিরেক্টরগী মতেংগা লোয়নন্না আই সী এ আর সোসাইটি ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবকুমারনা লৌমীশিংদা উহৈ পানবা পান্বীশিংগী চারা ১২০০ রোম য়েন্থোকখিবা

বি জে পিগী লুচিংবা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী বার্থ এন্নিভর্সরি অমসুং বলিদান দিবসকা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা উ চারা থাখিবা

পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী মীহুৎশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা কোভিদ টাস্ক ফোর্স, য়ুনিটশিংদা মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখিবা

য়ুঙৌ লিটর ১৯৫গা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী এস আই, এল সিতলজিৎনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৬.২০ রোম তাবদা মোইরাংখোমদা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা বোলেরো (এম এন ০১ এ এস/১৫৯৭) অমা খামদুনা চেক তৌবদা য়ুঙৌ লিটর ১৯৫ গা কোন্ননা গাড়ী দ্রাইভর য়াওনা মীওই ২ ফারে হায়রি। য়ুশিং অদু তোঙান-তোঙানবা প্লাষ্টিক্কী হাল্ফ বট্টল ৩৯০দা হাপ্লগা পুরম্বনি। ফারবা য়ুশিং অদু লম্ফেলগী এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী ষ্টাফশিং অমসুং মোমাগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর দেবদত্ত শর্ম্মগী মতেংগা লোয়নন্না আই সী এ আর সোসাইটি, ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবকুমারনা উহৈ পানবা পান্বীশিং অমসুং লফুনচিংবা চারা ১২০০ রোম কুন্বী এ সীগী লৌমীশিংদা য়েন্থোকখ্রে। কুন্বী বজারদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কে ঐচ নবকুমারনা হায়খি, ঙসি য়েন্থোক্লিবা উহৈ-ৱাহৈ পানবা পান্বীগী চারাশিং অসি নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থাবীদুনা মহৈ চাননবা হোৎনমিন্নসি। মসিনা মপান লমদগী হৈ-রা পুশিল্লকপগী চাং হন্থহনবদসু খরমখৈ মতেং ওইরগনি। লৌমীশিংগী অপান্বা লৈরবদি মখা তানা উহৈ পানবা চারাশিং অসি য়েন্থোকচখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বন মহোটসব

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সোংসোং ব্লোক্কী এস দি ও ষ্টাফ অমদি খুঞ্জাশিংনা বন মহোটসব পাঙথোক্তুনা অনৌবা সব-দিভিজনল ওফিস কমপ্লেক্সতা উহৈ পানবা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী উ চারাশিং থাখ্রে। সোংসোং ব্লোক্কী এস দি ও দুনা দুওনা উ চারাশিং থাখিবা অদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

'খোঙজং চঙশিল্লগনি'

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল ৱেটিং লিষ্ট এপ্রুভ কেন্দিদেটশিংবু লাক্লিবা জুলাই ২০ ফাওবগী মনুংদা জোইন্ট তৌহন্দবা তারবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ৱেটিং লিষ্ট কেন্দিদেট ওফ মণিপুর পুলিস কন্সটেবল ২০১৩ বেটচকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, রিক্রুটমেন্ট অসি য়াওরুবা চহী ৮ হেল্লক্লে। হৌখিবা জুন ২৫দা পুন্না এপ্রুভ তৌখিবা মণিপুর রাইফলস কেন্দিদেটশিংদি চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা জোইন্ট তৌহনবীখ্রে। অদুগা পুলিস কন্সটেবলবুনা নাথৈরগা থম্বীরে। মতম কুইনা ৱারক্লবা ৱেটিং লিষ্ট কেন্দিদেটশিংবু মীওইবগী মীনুংশি য়েংবীদুনা লৈঙাক অসিনা জোইনিং রিপোর্ট পীহন্দুনা কোভিদকী ৱারবা মতম অসিদা লৈবাক্কী থৌগল তৌহনবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

কে ৱাই ও-এমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): কোরেন (কোইরেং) য়ুথ ওর্গনাইজেসন, মণিপুর (কে ৱাই ও-এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা পাষ্টর কুংসোং ৱানবেনা হৌখিবা জুলাই ৪দা লৈখিদবদা কে ৱাই ও-এমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। কে ৱাই ও-এমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর টি সোনরাং কোইরেংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা পাষ্টর কুংসোং ৱানবে কোইরেং লিটরেচর সোসাইটিগী সেক্রেটরি, কোইরেং খৃষ্টিয়ন ওর্গনাইজেসনগী ত্রেজরর ওইরম্বগী মথক্তা কোইরেং কষ্টমরি কম্মিটিগী এক্টিভ মেম্বর অমসুনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি ষ্টেটঅসিগী মরুওইনা কোইরেং কম্যুনিটিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়রি।

ট্রেন হান্না চেল্লক্লবদি মীতোপশিংনা খুল্লিংবা ষ্টেট শোয়দনা ওইখ্রগনি : এম পি পি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) নীংথিনা চৎনদ্রিঙৈদা ট্রেন হান্না চেল্লক্লবদি মীতোপশিংনা খুল্লিংবা ষ্টেট শোয়দনা ওইখ্রগনি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না ফোঙদোরক্লি।

এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা ট্রেন য়ৌরকপা মতমদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা মহৈ তম্বা, লম কোয়বা, অনা লায়েংবা অমদি লল্লোন-ইতিক তৌবদা খুদোংচাদবা অমসুং অৱাবা কয়া লৈরম্বা অদু খূদিংমক ফরগনি হায়না বি জে পিগী লুচিংবশিংনা হায়রি। কুমজা ১৮৯১দগী ১৯৪৭ ফাওবা বৃটিশ লোয়লম লৈঙাক্কী মখাদা চহী কয়া মীখা পোন্দুনা লৈরকপা মতমদগী আই এল পি এস চৎনহন্দুনা য়েলহৌমীশিংগী শক্তম কায়দনা প্রিন্সলি ষ্টেট ওইনা থম্বীরম্মী। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুং ১৯৫০দা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক্লা আই এল পি এস লৌথোকখিবনা চহী ৭০ রোম অসিদা য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংদগী মীতোপশিং চঙশিল্লকপনা হান্না লৈজরম্বা য়েলহৌমীশিংদগী মশীং হেনগৎলক্তুনা মীতোপশিংনা খুল্লিংবা ষ্টেট অমা ওইবগী ফীভমদা লাকখিবনি।

বি জে পি লৈঙাক্লা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ লৈবাক পুম্বদা চৎনহন্ননবা হোৎনবদা মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই হায়না ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংনা হোম মিনিষ্ট্রিদা খঙহনবদগী মণিপুরগী ওইনদি সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি চৎনরোই। মণিপুর মীয়াম্না পাল্লিবা আই এল পি এস ওইনা চৎনরগনি হায়না লাউথোরকপদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বিল অসি চৎনবা হৌরে হায়না মীয়ামদসু লাউথোকখ্রবনি। কুমজা ২০২০দা মণিপুর লৈঙাক্লা আই এল পি চৎনবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা চহী ১ হেল্লক্লে। অদুবু মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবা মীরৈবাক মচাশিং করম্বা বেজ য়রদগী হৌরগা খন্দোকপা হৌবগী ৱাফমদি লৈঙাক্কী ওইবা খন্নবা উদ্রি। মীরৈবাক মচাশিং ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ভোটর অমা ওইনা রাইট ফংখ্রবশিং সিটিজন্সিপ অমা ওইনা থম্বদা লৈঙাক্লা অপাম্বা ওইরবসু নৌনা মণিপুরদা নোংমা কাংদনা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিং অসি থিংহৌননবা লমদম অসিদা লৈরিবা সী এস ওশিং, ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং অমসুং অখণ্ড-অহৈশিংগী ওপিনিয়ন লৌরগা থবক ওইনা পায়খৎহন্নিংই।

মণিপুরগা য়ুম্লোন্নরিবা নাগালেন্দ ষ্টেটতা আই এল পি চৎনদুনা মীতোপ চঙশিল্লকপশিং ঙাক শেল্লি। মখোয়নদি ঙল্লগা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক্লা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমদবা অসি মীয়ামগী ওইনা লাইবক থীবনি। আই এল পিগী থবক থৌরমশিং নীংথিনা তৌনবা লৈঙাক্লা অথুবদা দিপার্টমেন্ট অমা তেখায়না হাংদোকহন্নিংই। লৈঙাক্লসু হীরমসিগী মতাংদা অথুবদা থবক পায়খৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

'চীনদগী খুৎনা হাল্লগা ঙসি ফাওবা থবক তৌদুনা লাক্লি'

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): মীয়াম অমদি লৈবাক্কী য়াইফনবা চীনদগী খুৎনা হাল্লগা ঙসি ফাওবা থবক তৌদুনা লাক্লি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাং কোঞ্জেং য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না ক্লব অসিগী শঙলেন অমদি মসিগী অকোয়বা শীৎ শেংদুনা ফেন্সিং খাবা অমদি উ চারা থাবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা হায়খি, বি জে পিগী শক্ল হৈরিবা লুচিংবা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী বার্থ এন্নিভর্সরি অমসুং বলিদান দিবস থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ক্লব অসিগী অকোয়বদা উচারা খরা থাবনি।

মহাক্না হায়খি, হন্দক্তা মহাক মশামক্লা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী শরুক্তা লৈবা ৱাইশেল মরিলগী ফীভম য়েংশিনবগা লোয়নন্না ৱাইশেল মরিলগী প্রোজেক্ট পায়খৎপীননবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসিদা তকশিন্দুনা হায়জখিবা অদুগা মরী লৈননা এক্স-এম এল এ সুভাসচন্দ্রনা চার্জ কয়া তৌদুনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি লাইবক থীবনি। হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা এ সী অসিগী এম এল এ ওইরিঙৈ অমসুং এম এল এ ওইদ্রবা মতমদসু ৱাইশেল মরিল অসি লুম্না লৌবগা লোয়নন্না চহী খূদিংগী শেংদোকপগী থবক্তা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ৱাইশেল মরিল প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপীননবা মতম কয়াগী মমাঙদগী তক্লদুনা লাক্লিবনি। হন্দক্তসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উনদুনা ৱাইশেল মরিল প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপীননবগী মতাংদা ৱারী কয়া শানখি। চীফ মিনিষ্টরনসু ৱাইশেল মরিল প্রোজেক্ট অসি য়াম্না লুম্না লৌরিবনি। চীফ মিনিষ্টর উনরবা মতুং ৱাইশেল মরিলগী ফীভম য়েংশিন্দুনা প্রোজেক্ট পায়খৎপীননবা লৈঙাক্তা তকশিনবা অসিদা এক্স-এম এল এ সুভাসচন্দ্রনা শাউরিবা করিগীনো। এম এল এ লৈবা কৈশামথোং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইশেল মরিলগী শরুকশিংদি শেংবা হৌখ্রে। এম এল এ লৈতবা নাওরিয়াগীদি অৱাবা কয়া মায়োক্লরি হায়জবনি। মসিদা এক্স-এম এল এনা নোংমখক এক্সাভেটর শীজিন্নদুনা নিঙোম্বমদা মতেক খরা শেংলগা চার্জ কয়া তৌরকপা অসিদি লাইবক থীবনি।

ৱাইশেলগী মতাংদা পুম্নমক্লা তৌরিবা থবক অসিদি মীয়ামগীনি, লৈবাক্কীনি। ঙসি ফাওবদা আর কে আনন্দনা রাজনিতি তৌরক্লিবসি লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতনি। মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি, হ্যুমেন রাইটস মুভমেন্ট, বোর্দর ফেন্সিংগী ইস্যু, আই এল পি, এন এস সী এন-আই এম অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পিছ টোক য়াওনা ইস্যু কয়াদা লৈবাক্কী খল্লগা মাঙজিল থানা শরুক য়ারক্লি। তুংদসু শরুক য়াখিগনি। আর কে আনন্দনা লৈবাক্কীদমক করি করি থবক তৌখ্রবগে হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। এসেম্বলীদসু রেকোর্দ কয়া লৈরমগনি। রেকোর্দশিং অদু য়েংলগা ৱা ঙাংহন্নিংই। চহী ১০ এম এল এ ওইরিঙৈদা কম্যুনিটি হোল কয়া শারমখি। লম্বী-থোং, থক্লবা ঈশিং, মৈনচিংবা নাওরিয়া এ সীগী মীয়ামদা নীংথিনা ফংহন্ননবা থবক কয়া তৌরমখিবনি। মসিগীসু মথক্তা হকশেলগী লমদা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎলমখিবনি।

আর কে আনন্দনা মীখল থেংনদ্রিঙৈ, মীখলদা মায় পাক্লবা মতুং অমদি মায়থীরবা মতুংদা করি করি তৌখ্রবগে হায়বদু দোকুমেন্ট লোইনা লৈ। সুভাসচন্দ্রনা পাল্লবদি মদুগী মতাংদা দিবেট তৌনসি হায়রবসু চে-চাং, খুদম-চাংদম পুথোক্লদুনা তৌনসি। আর কে আনন্দনা থবক তৌই নৎত্রগা তৌদে হায়না লান্না পাউশন্দোকপদি তৌবীগনু।

চহী ৫ মীয়ামগী মীহুৎ ওইননবা সুভাসচন্দ্রদা মীয়াম্না পীখিবা মেন্দেদ অদু লল্লোনবা তোকউ। ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনখ্রবসু টর্ম মপুং ফাদনা এম এল এ ওইবা তোকখিবা অসি সুভাসচন্দ্রনা ইতৎ-তৎতনা পোলিটিকেল এক্সিদেন্টনি হায়না ফোঙদোক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। পোলিটিকেল এক্সিদেন্টনি হায়রগদি মদু নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনদি থোকহন্নিংদবা লাইবক য়াম্না থিবা এক্সিদেন্টনি। এক্সিদেন্ট থোকখ্রবা মতুংদা পোলিটিক্স তৌবগী ৱাখল অমুক হন্না খন্দবনা ফরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

উ চারা থাখিবা অমদি শীৎ শেংবগী কেম্প অদুদা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট মুতুম দিনেশসু শরুক য়াখি।

ফয়েং দেবান লম্পাক ইকো গার্দেনদা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): বি জে পিগী লুচিংবা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী বার্থ এন্নিভর্সরি অমসুং বলিদান দিবসকী শরুক অমা ওইনা সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ফয়েং দেবান লম্পাক ইকো গার্দেনদা এ সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা জোইন্ট কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯গী কনভিনর হৈখাম দিঙ্গো, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা অমদি পার্টি অসিগী লুচিংবা কয়াশিং য়াওনা উ চারাশিং থাখ্রে।

উ চারাশিং থাখিবা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা হায়খি, কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা খক্তনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিদগী কনবা ঙমগদৌরিবনি। ভেক্সিন কাপ্লুরবা মীওইশিংনা মাগী মাগী লৈকায়, খুঙ্গংদা মীয়াম্বু ভেক্সিন কাপ্পনবা এৱ্যের্নেস পীহনবা তঙাইফদে। মরমদি হায়রিবা মীওইশিং অসিনা ভেক্সিন কাপ্লুরবনিনা মখোয়না হায়বা ৱাফমশিং অদু ভেক্সিন কাপত্রিবশিংদা থাজবা হেনগৎহনগনি অমদি লান্না তোকঙাদা থাজখ্রবা কয়াবু ভেক্সিন অসিগী মতাংদা অচুম্বা কয়া মশক খঙহনবদা হেন্না মতেং পাংগনি। মরম অসিনা ভেক্সিন কাপ্লুরবা মীওইশিংনা ভেক্সিন কাপ্পগী কান্নবশিং ময়ামদা খঙহন্ননবা হোৎনবা তঙাইফদে। মসিনা মীয়ামবু ভেক্সিন কাপহন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা মীয়ামদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীননবা আপীল তৌখিবগা লোয়নন্না বি জে পিগী কার্যকর্তা খূদিংমক্লসু মীয়াম্না ভেক্সিন কাপ্পনবা হোৎনবদা মতেং পাংগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এস প্রেমানন্দ মৈতৈ, এল দেবেন, ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বস, বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট পি ঐচ ফোনি, বি জে পি সেকমাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট অমদি বি জে পিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

য়ু সী ও বি আই দিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খন্দুনা তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ু সী ও বি আই দি)গী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনবগা লোয়নন্না তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমসিগা মরী লৈননা য়ু সী ও বি আই দিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ গোপেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী হান্নদগী হাংদুনা লৈরকপা ফমশিং মেনশিন্ননবা নৌনা থৌ পুবশিং খনবগা লোয়নন্না মখোয়বু তরাম্না ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা ঙসি অমুকোগী ওফিসতা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং অমসুং য়ু সী ও বি আই দিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, য়ু সী ও বি আই দি অসি তম্পাক্তা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট মঙা অসিদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইনা লৈরিবা এপেক্স বোদিশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা অমা ওইরিবনি। লোয়নন্না ঙসি নৌনা খনদুনা থৌ পুরগদবশিংনসু কখোকপগা লোয়নন্না মীয়ামগী থৌগল তৌরক্নি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

য়ু সী ও বি আই দিগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা সলাম শান্তি লুৱাং অমসুং সলাম খেদাজিৎ, এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা হাওবিজম সনায়াইমা অমসুং এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা নিংথৌজম রোমেনকুমারনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

টাস্ক ফোর্স য়ুনিটশিংদা সেনিটাইজর, মাস্ক য়েন্থোকখ্রে : পি টি এফ সী

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা কোভিদ টাস্ক ফোর্স য়ুনিটশিংদা মখা তানা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক য়েন্থোকখ্রে হায়না পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ (পি টি এফ সী-১৯)গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন-চার্জ এম অঙম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিগী মাস্ক য়েন্থোকপগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না মীয়ামদা থমজ নিংবদি লমদমসিগী কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরক্লিবা তমথিবা শক্তম অসিদগী কনবা হায়বসি লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না মখা তানা ভলন্টিয়রশিংনসু চোকথবা নাইদনা থেংনমিন্ননবা আপীল তৌজরি। হৌজিক মীয়াম্না শুংশোয় শোয়দনা ঙাক্কদবা এস ও পি অমদি ওইরক্লিবা লাইচৎসিগী মওং মতৌসিদা চেকশিনগদবা ময়ামসি পুন্না খঙমিন্নদুনা অকনবা থৌদাং লৌমিন্নবা য়াম্না মথৌ তাই। মীয়াম্না চিংনবা লৈতনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। অরানবা পাউদা থাজবীদুনা ভেক্সিন কাপ্পদা চিংনবা লৈবীগনু। মালেমগী ওইনা য়ানরবা ভেক্সিন কাপথোকপনা লায়না-লাইচৎ অসি থিংবদা অচৌবা পান্থে ওইগদৌরিবনি হায়বসি ঐখোয় পুন্না য়ামিন্নবগা লোয়নন্না শোয়দনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়না আপীল তৌজরি।

ঙসি কোভিদ থেংনবদা মথৌ তাবা মাস্ক, সেনিটাইজরশিং অদু সগোলবন্দ সলাম লৈকায় কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়, উরিপোক বাচস্পটি লৈকায়, কামোং কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা য়েন্থোকখিবনি। মখা তানসু খুল-খুলগী টাস্ক ফোর্সশিং অমদি ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংদা মতেং পাংখিগনি হায়রি।

'মণিপুর লৈঙাক্লা ভোট মমাঙদা থবক লৌবগী হৈনবী অমা লৈরক্লিবসি অফবা নত্তে'

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা ভোট মমাঙদা থবক কৌবগী হৈনবী অমা লৈরক্লিবসি অফবা নত্তে। তুংলমচৎতা লৈবাক অসিগী য়ুথশিংনা অমদি তুংদা লাক্কদবা পোলিটিসিয়নশিংনা ফজনা খক ঙাংনররোই হায়না ওল মণিপুর টেন্থ এন্দ এলেবেন আই আর বি রাইফলমেন ২০১৯ বেটচ জে এ সী ভিভা ভোসি কম্পিটেদ কেন্দিদেটকী সেক্রেটরি সুভাজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ুথ ফোর চেঞ্জ হায়না লাউনরক্লবা মতম অসিদা অরিবা ভেটেরান পোলিটিসিয়নশিংনা তৌরম্বা ফৎতবশিংদুবু মতৌ তম্বা মানবা মওংদা লৈঙাকপা হায়বসি য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংগী মমাঙদা ঈকায়বা ফাওই। হৌখিবা লৈঙাক্লা ভোট মমাঙদা থবক কৌরম্লগা লোইশিনবা নাইরমদবনা মণিপুর মীয়াম খম থেংনা ৱানখি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদি য়াম্না ক্লিয়র ওইনা থবক তৌবা পাম্বা লৈঙাক্লি হায়না মীয়াম্না থাজবা থল্লি। থল্লিবা থাজবা অসিবু মাঙহনবীগনু। করিগুম্বা ভোট মমাঙদা থবক হায়দোকপীরক্তবা তারগদি ওল হিল ত্রাইব টেন্থ এন্দ এলেবেন আই আর বি কেন্দিদেট অমদি গার্জিয়ানশিংগা খুৎশম্নদুনা ইকনমিক ব্লোকেদ ফাওবা তৌরক্কনি। অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): বৃটিশ লৈঙাক্কী মখাদা নিংথৌ লৈঙাক লৈরিঙৈদা লিংখৎখিবা মীতৈ মরুপ, মীতৈ লৈবাক (মণিপুর)না লৈবাক অসিদা মীতৈ লাইনিং লীচৎকী, ইমা লোলগী, পুৱারীগী, মীতৈ য়েলহৌ ময়েক্কী, মমি শান্নুরবা মীতৈ খুন্নাইবু নৌহৌননা মীকপ থোকহন্দুনা অকনবা শাফু পীদুনা নিংথৌ লৈঙাক্কী মায়োক্তা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকখিবা মীতৈ মরুপ, মীতৈ লৈবাক (মণিপুর)গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা খুরাই পুথিবা লৈকায়দগী য়ুমখাইবম চিঙ্খেঙানবা লুৱাংনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মীতৈ মরুপ, মীতৈ লৈবাক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মীতৈ মরুপ, মীতৈ লৈবাক্কী সেক্রেটরি জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱাংখৈ থম্বালখোংদা লৈবা লূপকী ময়াই লোয়শঙ মীতৈ শঙলেনদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়নন্না মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়নন্না ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

এ এম আর দি পি দব্লিয়ু এগী নৌনা থৌ পুরগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর রিক্সো দ্রাইভরস এন্দ পুল্লরস ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম আর দি পি দব্লিয়ু এ)গী কুমজা ২০২১-২০২৪ টর্মগী নৌনা থৌ পুরগদবশিং খনখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন সেক্রেটরি এম দি অব্দুল হমিদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সঞ্জেন্থোংদা লৈবা এ এম আর দি পি দব্লিয়ু এগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল এসোসিএসন অসিগী এদভাইজর লিশম প্রেমানন্দনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ফমখিবা মীফম্না নৌনা থৌ পুননবা খল্লবশিং অদুদি থোকচোম বসন্তনা প্রসিদেন্ট, এম সুনিলনা জেনরেল সেক্রেটরি রোস্নিকান্তা তখেলচানা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, সলাম বিশেমভোরনা ফাইনান্স সেক্রেটরি, এম দি অব্দুল হমিদনা আই পি আর সেক্রেটরিনি।

নাপী কক্লবা মেছিন, সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট তেংবাঙ পীখ্রে

ককচিং, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): ককচিংগী অকোয়ববু তরু-তনান্না থম্নবা, ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু মশামউ ফনা থম্নবগী পান্দমদা নহাশিংগী খোঙথাং (এন কে)না চঙশিল্লক্লিবা লম-তূ শেংবগী থবক্তা নাওরেম নবচন্দ্র, স্পেসল ইনভাইটি বি জে পি মণিপুর প্রদেশ, সোসল ৱার্কর, ককচিং নিংথৌ লৈকায়না নাপী কক্লবা মেছিন, সোয়িদম হায়পোক্লোরাইট অমসুং ফেস মাস্ক তেংবাঙ পীখ্রে।

এন কেনা তোঙান তোঙানবা লূপশিংগা খুৎশম্নদুনা জুন ২৬তগী হৌনা লম-তূ শেংবগী থবক চত্থরকপগী থৌরম ওইনা ঙসিসু আইদিয়েল য়ুথ এসোসিএসন (আই ৱাই এ)গা খুৎশম্নদুনা ক্লব অসিনা কোল্লিবা ককচিং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ১গী মফমশিংদা লম-তূ শেংদোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্নগী ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর ওইরম্বা এন ইবোতোম্বনা রিফ্রেশমেন্টগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি লৈকায় অসিগী সোসল ৱার্কর নাওরেম ওকেননসু পেট্রোল লিটর ৫গী চাউরবা মতেং পাংবীরকখি।

থৌরমগী মতাংদা নাওরেম নবচন্দ্র, স্পেসল ইনভাইটি বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা হায়, মালেমগী ওইনা মীপায়নিংঙাই ওইরবা লাইচৎ কোরোনা ভাইরস শন্দোরকপগী মতম অসিদা তরু-তনান্না লৈবা হায়বা অসি মথৌ তাই খন্না নহাশিংগী খোঙথাং হায়রিবা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা অকি-অখঙ লৈতনা চোংথোকপীরক্তুনা ককচিংগী মফম কয়াদা লম-তূ শেংবগী থবক অসিদা পূক্নিং থৌগৎপা অমদি মতেং পাংবা ওইনা নাপী কক্লবা মেছিন, সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইট অমসুং ফেস মাস্ক অসি মহাক্কী মায়কৈদগী পীজবনি। মখা তারকপদসু ককচিংগী চাউখৎ থৌরাং কয়াদা হান্নদগী মতেং পাংদুনা লাকপগুম মতেং পাংখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নহাশিংগী খোঙথাংনা চঙশিল্লক্লিবা থবক থৌরমশিংদা পাঙ্গলগী, লৌশিংগী মতেং পাংবীরক্লিবা খূদিংমকপু এন কেগী জেনরেল সেক্রেটরি জি প্রিয়োকুমারনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। ঐখোয়গী অকোয়বা অমদি ইমুং-মনুং তরু-তনান্না থম্নগা লোয়নন্না এস ও পি অমসুং এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র কোভিদ-১৯ ঙাকমিন্নদুনা লায়না অসি ঐখোয় পুন্না মায়থীবা পীমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চহী ২৭ হেন্না ভোটিং রাইট ফংলক্ত্রবা য়াংলেম কোল্লুপকী ইমুংশিংদা এল এম জিনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস): কুমজা ১৯৯৩গী মণিপুর এসেম্বলী ইলেক্সন ফাওবা ৱাঙ্গোই এ সীদা ভোটিং রাইট ফংলম্লবা মতুংদগী ঙসি ফাওবা চহী ২৭ রোমসি ভোটিং রাইট ফংলক্ত্রবা লংথবাল এ সী অমদি ৱাঙ্গোই এ সী অনীগী মরক শামুরৌ অৱাং লৈকায়দা লৈবা য়াংলেম কোল্লুপ হায়রগা খঙনরিবা য়ুমথোঙ ২২ লোমগী মীশিং ১০০ খরা হেন্না লৈরিবা অপীকপা কোল্লুপ অসিদা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা ঙসি য়ুমথোঙ অমদা চেঙ কে জি ২৫/২৫গা লোয়নন্না নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে হায়না এল এম জি, মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এল এম জি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল কুঞ্জেশোর শর্ম্মা অমদি এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাই অমসুং সোবিতা মোংজমনা লুচিংদুনা চত্থখিবা তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা এল এম জি মণিপুরগী সেক্রেটরি সোরোখাইবম ওজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, চহী ১৮ শুরবদি ইন্দিয়ন সিটিজন অমা ওইবগী রাইট পুম্বা ফংহনগদবনি হায়না ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা য়াওরগসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা য়াংলেম কোল্লুপকী ভোটর রাইট য়াওনা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা অমত্তা ফংদনা লৈহৌরি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীয়াম্না অসুক য়াম্না ৱানরবা মতমসিদা লৈঙাক্লা পীরিবা চাকথুং অমত্তা ফংদ্রি। সী এম ঐচ টি কার্দ, ওল্ড এজ পেন্সন, নফসাগী চেঙ, হাউজিং স্কিম অমদি অতৈ লৈঙাক্লা পীবা তেংবাঙ অমত্তা ফংদবনা মরম ওইরগা কোল্লুপ অসিগী মীওই ১০০ হেনবনা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী অৱা চৈথেং মরক্তা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে হায়বগী পাউ তাবদগী এল এম জি মণিপুরনা কোল্লুপ অসিগী য়ুমথোঙ ২২ অসিদা অচা-অথকশিংগী তেংবাঙবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

এল এম জিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি নিঙোম্বম ওংবী রানিবালা লৈমা, চিঙাখম ৱাংশিংতন মৈতৈ, এগজিক্যুটিভ মেম্বর রোশন মোইরাংথেম, ডা. মাইবম ইতীন মৈতৈ, ইনাওবা নোংমাইথেম, সলাম ভজানি অমদি লাইমুজম ব্রিনালিনিনচিংবা এল এম জি মণিপুরগী মরুওইবা মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখিবা খোঙচৎ অদুদা এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা ইম্ফাল সিটিগা ইনক নক্না লৈরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শামুরৌ অৱাং লৈকায়দা চহী ২৭ হেন্না ইন্দিয়ন সিটিজন অমা ওইবগী ফংফম থোকপা ভোটিং রাইট ফংদনা লৈরি হায়বা তাবদা অঙকপা পোকপা ফাওই। দেমোক্রেটিক কন্ট্রি অমা ওইরিবা চাউখ্রবা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা মণিপুরসিদা ফংফম থোকপা ফন্দামেন্টেল রাইট অমদি ফংফম থোকপা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা অমত্তা ফংদনা লৈরিবা য়াংলেম কোল্লুপকী নুংশিরবা ইচিল-ইনাও কয়ানা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মনুংসিদা কা হেন্না ৱারে হায়বগী পাউসি তাবদা এল এম জি মণিপুরগী মেম্বরশিংনা অঙম অঙম্বা শেল অমদি অচা-অথকশিং পাংনদুনা ঙসিগী তেংবাঙ অসি পীজবনি। কোল্লুপ অসিগী ফংফম থোকপা রাইটশিংসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ফংহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।